


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, APRIL 24, 2018






*প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন ৱার্ল্ড টুরগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা মেদিসন ওপনগী টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই ভেলাভন সেন্থিলকুমার*

*ইংলেন্দগী প্রোফেসনেল ফুটবোলর এসোসিয়েসননা চহী খুদিংগী পীবা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংখ্রবা লিভরপুলগী শান্নরোই ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালা*

## মণিপুরগী ইটাস খান য়াওবা ইন্দিয়ান টাইগর্সনা চাইনা দ্রেগোন্সপু বাউট ৪-১দা মায়থিবা পীখ্রে



*চাইনা দ্রেগোন্সকী বোক্সর ঝু বোজিয়াং (ওই) অমসুং ইন্দিয়ান টাইগর্সকী মোহমদ ইটাস খাননা থিন্নখিবা বাউট*

রোটক, এপ্রিল ২৩ঃ
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী প্রোফেসনেল অমসুং এমেচর বোক্সরশিং পুন্না শরুক য়ামিন্নবা ৱার্ল্ড সেরিজ ওব বোক্সিং গী চয়োল ১২শুরকপগী ফাইথ ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান টাইগর্সনা য়ুম্ফু ওইদুনা হরিয়ানা ষ্টেটতা লৈবা রোটককী নেসনেল বোক্সিং একাদমিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা টাই অমদা ইন্দিয়ান টাইগর্সকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা মুহম্মদ ইটাস খান য়াওবা চিম অদুনা চাইনা দ্রেগোন্সপু বাউট ৪-১দা মায়থিবা পীখ্রে।

টাই অদু হৌদ্রিঙৈদা চাইনা দ্রেগোন্সকী মায়কৈদগী লাইট ৱেল্টর ৱেথ (কেজি ৬৪) অমসুং হেভি ৱেথ (কেজি ৯১)গী বোক্সর অনী মশা নাবদগী শান্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী ইন্দিয়া টাইগর্সনা বাউট অমফাওবা থিন্নদ্রিঙৈদগী ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা বাউট অদুদা ইন্দিয়াগী শ্যাম কুমার ককারানা লাইট ফ্লাই ৱেট কেটেগোরিদা চাইনাগী ৱু ঝোংগ্লিংগা লম্বা তৌনরকপদা ইন্দিয়ান টাইগর্সকী বোক্সর শ্যাম কুমার ঝোংগ্লিংনা পোইন্ট ২-১দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা বাউট ওইনা ইন্দিয়ান টাইগর্সতা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা মুহম্মদ ইটাস খাননা বেন্টাম ৱেথ ( কেজি ৫৬) কেটেগোরিদা চাইনা দ্রেগোন্সকী বোক্সর জু বোজিয়াংগা লম্বা তৌনখি।

মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবা বোক্সর অদুনা চাইনা দ্রেগোন্সকী বোক্সর অদুবু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। অহানবা রাউন্দ অদুদা খাননা রিঙ অদু য়াম্না ফজনা শিজিন্নদুনা চাইনা দ্রেগোন্সকী বোক্সর অদুবু ৱাহন্দুনা মহাক্কী মায়কৈদগী দিফেন্স য়াম্না কন্না তৌখিবগা লোয়ননা কাউন্টর এটেক্তা পোইন্ট ফংদুনা রাউন্দ অদু মহাক্না হেনবা ঙমখি।

অনীশুবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা চাইনা দ্রেগোন্সকী বোক্সর জু বোজিয়াংসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরক্লবসু লোয়শিল্লকপদা বাউট অদুদা পোইন্ট পীখিবা জজ অহুমগী মনুংদা অনীনা ইন্দিয়ান টাইগর্সকী মুহম্মদ ইটাস খানগী মায়কৈগী পোইন্ট ৪৮-৪৭ অমসুং ৪৯-৪৫ পীখি অদুগা জু বোজিয়াংদা জজ অমনা পোইন্ট ৪৮-৪৭ পীখি।

ইটাস খান মায়পাকখিবদগী ইন্দিয়ান টাইগর্সনা চাইনা দ্রেগোন্সপু বাউট ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অরোইবা বাউট অদু য়ুম্ফু টিম অদুগী মিডল ৱেথতা শরুক য়ারিবা মন্দিপ জঙগ্রানা চাইনা দ্রেগোন্সকী হেরহেঙ ৱুলপেয়রবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৩-০দা মায়পাক্কুনা ইন্দিয়ান টাইগর্সনা চাইনা দ্রেগোন্সপু ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ান টাইগর্সনা থাংজ নুমিৎতা ইন্দিয়ান টাইগর্সনা রুশিয়াগী টিম অমা ওইখিবা পেট্রিওট বোক্সিং টিম্বু বাউট ৩-২দা থোইখিবনি। হায়রিবা বাউট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কাবিন্দর সিংহ (কেজি ৫২), সিব থাপা (কেজি ৬০) অমসুং নরেন্দর (কেজি ৯১ মথক)না মখোয় মখোয়গী বাউটশিং অদু মায়পাকখি।

অমরোমদা পেট্রিওট টিমগী বোক্সরশিংদা মায়থিখিবা ইন্দিয়ান টাইগর্সকী বোক্সর অনী অদুদি দুরয়ধেন সিংহ নেগি (কেজি ৬৯) অমসুং ব্রিজেস য়াদব (কেজি ৮১)নি।

ইন্দিয়াগী টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান টাইগর্সনা মথংগী বাউট অদু এপ্রিল ২৭তা চাইনাগী সিটি গুইঝৌদা য়ুম্ফু টিম ওইগদৌরিবা চাইনা দ্রেগোন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

## মমাঙগী চেম্পিয়ন ব্রাজিলনা কুমজা ২০১৮গী ৱুমেন্স কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



*ৱুমেন্স কোপা অমেরিকা কপ ২০১৮ কী টাইটল ফংখ্রবা মমাঙ চহীগীসু চেম্পিয়ন ওইখিবা ব্রাজিলগী টিম*

*লা সেরিনা, এপ্রিল ২৩ঃ*
চিলিনা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি লা সেরেনাদী সাউথ অমেরিকা ফুটবোল ফেদরেসন (কোনমেবোল)গী ওইনা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা অমেরিকাগী নুপীগী চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ মমাঙগী চেম্পিয়ন ব্রাজিলনা হন্দকসু টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ৪দগী ২২ ফাওবা পাঙথোকপা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক ১০না পুন্না শান্নবা টুর্নামেন্ট অদু টিম ১০না গ্রুপ অনী থোক্লা শান্নখি। গ্রুপ 'এ'দা কোলোম্বিয়া, য়ুম্ফু চিলি, পরাগ্বে, উরুগ্বে অমসুং পেরি শরুক য়াখি। অদুগা গ্রুপ 'বি'দা মমাঙগী চেম্পিয়ন ব্রাজিল, আর্জেন্টিনা, ভেনিজ্বেলা, বোলিভিয়া অমসুং ইক্কাদোরনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মেটতা গ্রুপ অনীদগী মকোক থোংবা টিম মরিনা ফাইনেল ষ্টেজগীদমক লম্বা তৌনবনি।

গ্রুপ 'এ'দা কোলোম্বিয়া অমসুং য়ুম্ফু চিলিগী টিম মেটচ ৪ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংখিদে। অদুবু চিলিনা মেটচ অনী মায়পাক্লগা অনী দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ৮খক ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা কোলোম্বিয়াগী টিমনা মেটচ ৪দা অহুম মায়পাক্লগা মেটচ অমখক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইবা ঙমখি। অতোপ্পা টিম পরাগ্বে পোইন্ট ৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী ফাইনেল ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদবনি। কোলোম্বিয়া অমসুং চিলি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখি।

গ্রুপ 'বি'দা মমাঙগী চেম্পিয়ন ব্রাজিল মেটচ ৪ শান্নবদা ৪মক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংবগা লোয়ননা মকোক ওইবদগী ফাইনেল ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। আর্জেন্টিনাগী টিম মেটচ অহুম শান্নবদা মেটচ ১খক মায়খিবা নংদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মখোয় গ্রুপ অদুদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অতোপ্পা টিম ভেনিজ্বেলা, বোলিভিয়া অমসুং ইক্কাদোর ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

কোপা অমেরিকা ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল ষ্টেজ অদু এপ্রিল ১৬তগী শান্নবা হৌখিবনি। অহানবা মেটচ অনী শান্নবদা আর্জেন্টিনানা কোলোম্বিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। চপ মান্নবা স্কোরদা ব্রাজিলনা য়ুম্ফু চিলিবু থোইবা ঙমখি।

ফাইনেল ষ্টেজ অদুগী অনীশুবা রাউন্দ এপ্রিল ১৯দা শান্নবদা ব্রাজিলনা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। অদুগা কোলোম্বিয়া অমসুং চিলি পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎতুনা অনীশুবা রাউন্দ লোয়শিল্লকপদা ব্রাজিল পোইন্ট ৬, আর্জেন্টিনা পোইন্ট ৩ অদুগা চিলি অমসুং কোলোম্বিয়া পোইন্ট ১ ফংদুনা লৈখি।

অরোইবা রাউন্দদা ঙরাং শান্নখিবদা য়ুম্ফু চিলিনা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়খিবা পীখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি সেজ (মিনট ৮), হর্নান্দেজ (মিনট ২৪), বারোসো (ওন গোল-মিনট ৪০) অমসুং লারা (মিনট ৯০)নি।

ব্রাজিল অমসুং কোলোম্বিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ব্রাজিলগী মোনিকানা শান্নবগী মিনট ২৯ অমসুং ৭১দা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু কোলোম্বিয়াগী শান্নরোই ক্লাভিজোনা শোয়বদগী অহানবা হাল্ফকী এক্সট্রা টাইমদা চনখিবনি।

## ইন্দিয়াগী রাহি সার্নোবটনা কোরিয়া ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংদা মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলদা ৪শুবা পোজিসন তারগা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগাইখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ঃ*
কোরিয়ানা য়ুম্ফু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি সাংৱোনদা পাঙথোকপা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা রাহি সার্নোবটনা ৪শুবা পোজিসন তারগা ইন্দিয়াগী নেসনেল রেকোর্দতি থুগাইখ্রে।

ক্বালিফিকেস রাউন্দদা অপুনবা পোইন্ট ৬০০ কী মনুংদা ৫৮৮ কাপ্পুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। হায়রিবা পোইন্ট অদুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী ওইনসু খ্বাইদগী য়ামখি।

ফাইনেল রাউন্দদা রাহিগী মায়কৈদগী ফজবা ৱাৎখিবদগী অতোপ্পা সুট্টরশিংনা মঙোন্দগী হেনগৎলগা চৎখি। পনবা য়াবদি হায়রিবা মফম অদুমক্তদা রাহিনা কুমজা ২০১৩ গী ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুদা সার্নোবট পোইন্ট ২৬ খক ফংখি। অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর এলিনা গালিয়াবোভিটচ অমসুং চাইনাগী সুট্টর লিন য়ু মৈ পোইন্ট ৩৪। ৩৪ দা মান্নখিবদগী সুট ওফতা এলিনানা পোইন্ট অমা হেনখিবদগী গোল্ড ফংখিবদগী লিননা সিলভর ফংখি। অতোপ্পা চাইনাগী সুট্টর য়াও য়ুসি ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৩০ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবী ইন্দিয়াগী হিনা সিধু ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা ৩৭শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী ট্রেপ ইভেন্টতা ফিনলেন্দগী সাটু মাকিলা নুমেলানা পোইন্ট ৪১ দা গোল্ড মেডল লৌখি। স্পেনগী সুট্টর ফটিমা গালবেজনা পোইন্ট ৩৭ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি।

পনবা য়াবদি সুট্টর অনীমক ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১১৮। ১১৮ দা মান্নদুনা লাকখিবনি। ব্রোঞ্জ মেডল অদু সান মারিনোগী সুট্টর আলিজেন্দ্রা পেরিলিনা পোইন্ট ২৭ ফংলগা লৌখিবনি। অদুবু সুট্টর অসিনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১২২ ফংলগা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী সগুন চৌধুরি, স্রিয়াসি সিংহ অমসুং সিমা টোমর মথংশিংনা ২৬, ৩৩ অমসুং ৪৭ শুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী অপুরভী চান্দেলা অমসুং রবি কুমার পোইন্ট ৩৫১ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী ঝাও রুঝু অমসুং য়াং হাওরাননা পোইন্ট ৪৯৯.৩ ফংলগা গোল্ড লৌখি। সিলভর অদুনা রুশিয়াগী দারিয়া দোভিনা অমসুং ৱ্লাদিমির মাসলেনিকোভনা পোইন্ট ৪৯৮.৮ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা কোরিয়াগী সোং সুজু অমদি ক্যুং জিহিওননা পোইন্ট ৪৩৫.৪ কাপ্লগা ফংখি।

## ইন্দিয়াগী ভেলাভন সেন্থিলকুমারনা মেদিসন ওপন টাইটল ফংখ্রে

*চেন্নাই, এপ্রিল ২৩ঃ*
প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী ৱার্ল্ড টুরগী মনুং চনবা য়ুএসএদা পাঙথোকপা মেদিসন ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভেলাভন সেন্থিলকুমারনা লৌখ্রে।

মমাঙদা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লবা অমদি বৃটিস জুনিয়র ওপন টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবা সেন্থিলকুমারনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ অফ্রিকাগী ট্রিষ্টান ইসিলিবু মায়থিবা পীখি।

সেন্থিলকুমারনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদিত্য জগটাকপু ৬-১১, ১১-২, ১১-৫, ১১-৪ দা মায়থিবা পীখি।

সেন্থিকুমারনা য়াম্না ফজবা মওংদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী বার্নেট জোমীবু মায়থিবা পীরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ইংলেন্দগী মার্ক ফুল্লরবু থোইরম্বনি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাকনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই অদু মায়থিবা পীরম্বনি।

মেদিসন ওপনগী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী ভেলাভন সেন্থিকুমারনা পুং ১ রোম চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী ট্রিষ্টান ইসিলিবু ৭-১১, ১৩-১১, ১২-১০, ১১-৪ দা থোইদুনা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী ৱার্ল্ড টুরগী অহানবা টাইটল অদু ফংখিবনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা সেন্থিলকুমার পিএসএ ইভেন্ট অনীগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৫ এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২৩ঃ*
থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৫ সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল অমমমদি শোয়দনা ফংলগনি।

এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী অনামিকানা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর মুঙ্গুনসারান বালসানবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর অসথা পাহৱানা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী বোক্সর জিয়ু ৱাংবু য়ুনানিমস ভর্দিকদা থোইরমদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

অনামিকা অমসুং অসথা পাহৱা এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওক্তোবর ৬ তগী ১৮ ফাওবা আর্জেন্টিনানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর ললিতানা ভিয়েটনামগী বোক্সর থি গিয়াং ত্রানবু ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর দিভ্য পৱারনা কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী বোক্সর ঝুকিং কাওবু মায়থিবা পীদুনা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নিতু ঘাংঘাসনা চাইনাগী বোক্সর ঝিফৈ হুবু ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডালিষ্ট সাক্ষি চৌধারি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্ফু লৈবাক থাইলেন্দগী বোক্সর পানপাটচারা সোমন্যুককী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর জোনিনা কেজি ৬০ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াবদা কজাখষ্টানগী বোক্সর মারিয়া গ্লাদকোভাগী মখূত্তা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট মায়থিহৌবগী মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী ৱেঠ কেটেগোরি ৯ দা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী বোক্সরশিংনা লম্বা তৌনগদৌরি। বোক্সরশিং অসিগী মরক্তগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা বোক্সর ৪ না আর্জেন্টিনানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

লৈবাক অমদগী নুপীগী বোক্সর ২ অমসুং নুপা বোক্সর ৩ পুন্না বোক্সর ৫ য়ুঠ ওলিম্পিক্স অদুদা শরুক য়াবা য়াবগী খুদোং চাবা লৈ। অদুবু করিগুম্বা মশীং অদু হেল্লবদি লৈবাক অদুনা ক্বালিফাই ওইরিবা বোক্সরশিং অদুগী মরক্তগী খ্বাইদগী ফজবা বোক্সর খনগদবনি।

## ইটালিগী সেরি এ দা এসএসসি নাপোলিনা জুবেন্টস পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা পিএসজিনা বোর্দিওক্সপু থোইখ্রে



*রোম। পেরিস, এপ্রিল ২৩ঃ*
ইটালিগী ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা জুবেন্টসপু অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এসএসসি নাপোলিনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা বোর্দিওক্সপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

সেরি এ গী পোইন্ট টেবলদা জুবেন্টসনা পুন্না পোইন্ট ৮৫ ফংদুনা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। অদুগা ঙসি মায় পাকখিবা এসএসসি নাপোলিনা পুন্না পোইন্ট ৮৪ ফংদুনা পোইন্ট অমখক্তমক খেন্নদুনা লৈখ্রে।

জুবেন্টস অমসুং এসএসসি নাপোলিনা শান্নখিবা ৩৪শুবা লীগ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল ওম্থোকপা ঙম্মদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নবা হৌরকখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুগী অয়াম্বা মতম অদুদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা অদু মতম কুইনা মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা এসএসসি নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কালিদৌ কোলিবালিনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টেবলগী মকোক থোংদুনা লৈরিবা জুবেন্টসপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা এসএসসি নাপোলি জুবেন্টসতগী পোইন্ট অমা শোংখদুনা লৈরি।

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব লীগে ৱানগী ঙসি পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং বোর্দিওক্সনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

লীগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা পুন্না পোইন্ট ৯০ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা মোনাকোদগী পোইন্ট ২০ হেন্দুনা লৈরি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং বোর্দিওক্সনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবদসু অমনা অমগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা এটেক তৌবগী চাং হেন্না কনশিন্নদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গিওভানি লো কেলসোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা বোর্দিওক্সপু ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৩ রোমগী মতম অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবা অমদি বোর্দিওক্সকী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পেরিস সেন্ট জর্মেননা বোর্দিওক্সপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টেবলগী ২শুবা পোজিসনদা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং ৫শুবা পোজিসনদা লৈরিবা রিয়েল বেটিস অপনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।